# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-10-2023)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাদগী নোংমৈ অনি, পোকখায়হন্নবা মচাক অমা অমসুং ট্যুব লোঞ্চর অনি ফাগৎলে।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তেলঙ্গনাগী নিজামাবাদতা লুপা কোতি লিশিং ৮ হেনবগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে।

------

পুলিস(এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা লেপ্তুনা থিবা হুম্বগী থবক মখা চত্থরি। ঙরাংসু বিষ্ণুপুর, ককচিং, থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। মদুদা থৌবাল জিলাদগী নোংমৈ অনি, নোংমৈ মরু ৬, পোকখায়হন্নবা মচাক অমা অমসুং ট্যুব লোঞ্চর অনি ফাগৎখি।

মণিপুর কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়- মমাং থাগী ৩০ দগী মফম খঙদনা মাংখিবা সতখোথাং কিপগেন কৌবা মীওই অমা কাংপোকপী জিলাগী লোংজাং ভিলেজদগী পুলিসনা ফংবা ঙমখ্রে।

কার্ফিউ(এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তেলঙ্গনাগী নিজামাবাদতা লুপা কোতি লিশিং ৮ হেনবগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে।

মনোহরাবাদতগী সিদ্দিপেদ ফাওবগী নৌনা শেমগৎপা রেলৱে লাইন, ধর্ম্মবাদ-মনোহরাবাদ অমসুং মহাবুবনাগর-কুরনুরদা পায়খৎপা ইলেক্ট্রিফিকেসন প্রোজেক্টশিং ঙরাং প্রধান মন্ত্রিনা জাতিগী মীয়ামদা কৎথোকখি।

তেলঙ্গনাগী রামাগুন্দনদা এন.টি.পি.সিনা পায়খৎপা তেলঙ্গনা সুপর থরমেল পৱার প্রোজেক্টসু প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাখি। থরমেল পৱার প্রোজেক্ট অসিনা রাজ্য অদুগী মৈগী অপুনবা শরুক্কী চাদা ৮৫ পীবগা লোয়ননা নোর্থ-সাউথ গ্রিদ কন্নেক্তিভিতিগী ফিভম ফগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। রাজ্য অদুগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ২০ দা প্রধান মন্ত্রি আয়ুসমান ভারত হেলথ ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিসনগী মখাদা ফমুং ৫০ লৈবা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোকশিং শানবগী যাত্রাসু প্রধান মন্ত্রিনা হুনখি।

অনুরাগ ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং বোদকাষ্টিং মন্ত্রি অনুরাগ ঠকুরনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা লাইরবা অমসুং শোত্থরবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া শিংথানিঙাই ওইনা পায়খৎলি।

উরিষাগী ভুবনেশ্বর অমসুং কটক্তা কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধানগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া য়াওবা চৎপদা পাউমীশিংদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ৯ অসিদা লৈবাক অসিগী লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈরম্বা মীওই কোতি ১৮ লাখ ৫০ গী ফিভম ফগৎহনবা ঙমলে। প্রধান মন্ত্রিগী সবকা সাথ সবকা বিকাশ হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা সরকার অসিনা চোকথবা লৈতনা লেপ্তুনা হোৎনরকপগী মহয়না পান্দম অসি য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়- মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা উরিষাদা বি.জে.পিনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা মীখল থেংনগনি অমসুং মদুগী ফলসু ফগনি হায়না আশা তৌরি। মহাকা হায়- উরিষাদা য়ু.পি.এনা পীরম্বা ফন্দগা য়েংনরুবদা মোদিগী সরকার লাক্লবা মতুংদা পীরিবা ফন্দনা শরুক ১১ হেল্লবনি।

যুহার ঃ নেপালদা রিক্তর স্কিলদা ৪.৬ অমদি ৬.২ গী চাংদা ঙরাং অনিরক হন্না য়ুহার হাখ্রে। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি য়াওনা অৱাং ভারতকী মফম খরদসু য়ুহার হাবা অসিগী শাহুম ফংখি। নেসনেল সেন্তর ফোর সিমোলোজিগী পাউনা হায়- য়ুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্তর নেপালগী লৈনুংদা কিলোমিতর ৫ লুবা মফমদা ওইখি। অহানবা য়ুহার হাবা অদু ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২ মিনিত ২৫ অদুৱাইদা ওহখি। মদুগা ইকান কান্নদনা পুং ২ মিনিত ৫১ দা অমুক হন্না য়হার হাখি। য়ুহার হাবা অদুদা অমাং অতা থোকখিবগী পাউ লৈতে।

গেমস ঃ হাংঝৌ এসিয়ান গেমসকী ঙরাং ১০ নি চনবা নুমিৎতা ভারতনা সনাগী তকমান অনি, লুপাগী ২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৫ ফংখি। মসি থারগা হৌজিক ভারতনা সনাগী তকমান ১৫, লুপাগী ২৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৮ ফংদুনা পুন্না তকমান ৬৯ ফংলি। গেমস অসিগী মেদল টেল্লিদা হৌজিকসু

ভারতনা মরিশুবা মফমদা লৈরি। অনু রানিনা নুপীগী জেব্লিন থ্রোগী ফাইনেলদা মিটর ৬২.৯২ লংদুনা সনাগী তকমান ফংখি। তেজাস্বিন শঙ্করনা ঐতিহাসিক ওইনা নুপাগী দেকাথলোনদা লুপাগী তকমান ফংখি। মসিগী মমাংদা এসিয়ান গেমসতা ভারতকী ইকোন কোনবা দেকাথলোনগী মেদল অসি ইং ১৯৭৪ বিজয় সিং চৌহন্না লৌখিবনি।

নরেন্দর বরৱালনা নুপাগী কিলোগ্রাম ৯২ গী বোক্সিংদা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি। নুপাগী ত্রিপ্পল জম্পতা ভারতকী প্রবিন চিথ্রাবেলসু শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংখি। নুপাগী মিতর ৮০০ গী লমজেলদা মোহাম্মদ অফসালনা লুপাগী তকমান ফংখি। নুপীগী মিতর লিশিং ৫ গী লমজেলদনা ভারতকী পারুল চৌধরিনা সনাগী তকমান লৌখি। নুপীগী মিতর ৪০০ গী হরদলসতনা বিথয়া রামরাজনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখি। নুপাগী মিতর লিশিং ১০০০ গী কেনোয়িং দবলদা ভারতকী শুনিল সিংহ্ সলাম অমসুং আর্জ্ন সিংহনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা মণিপুরদা থারিবা পোপি পান্বীশিং মাংহন্নবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স শিজিন্নগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়বা পাউ, মহৈরোই অনিগী হকচাং ইমুং মনুংদা ফংহল্লু হায়দুনা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অমসুং এন.আই.এনা ফাখিবা সৈমিনলুন গাংতে নুমিৎ ৮ নিগী কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা মণিপুরদা থারিবা পোপি পান্বীশিং মাংহন্নবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স শিজিন্নগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

থোক্লিবা হিংশাগী মরিক চুম্বা লাইরিক ফোংবা মীওইদা লুপা লাখ অমা পীরগনি হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। এন.আই.এনা ফাখিবা সৈমিনলুন গাংতে মখা তানা নুমিৎ ৮ নি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বা পাউ অমসুং অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- কাংলুপকী ইরাং থোকখ্রবা মতুংদা মৈদগী কারকপা রেভিন্যু তঙ্খায় হন্থখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা মৈ কোৎলগা শিজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। চুরাচান্দপুরদা আই.টি.এল.এফনা কৌখিবা মতম কক্তবা বন্দ হন্দোকখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা সৈমিনলুন গাংতে মখা তানা ন্মিৎ ৮ রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, ইরৈবাক, পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন অমদি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

এম.য়ুদগী অসাম রাইফলস লৌথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)গী ৱাফম সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলি।

পোকফমদা- মহৈরোই অনিগী হকচাং ইমুং মনুংদা ফংহল্লু হায়দুনা খুত্থাং চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরগী নোংজ্গী চাং চাদা ৪৬ হন্থরে হায়বা আই.এম.দিগী রিপোর্ট পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- চহি নৌরিবা মহৈরোই অনি হাৎখিবগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা ফাখিবা মীওই ৫ মখা তানা কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পিপলস নন-কোওপরেসন মুভমেন্টকী

খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ অমসুং অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- বি.জে.পিদগী রিজাইন তৌনরকপা লেপত্রি হায়বা পাউগা লোয়ননা লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাউসিল্লিরশিং য়াওনা থৌ পুবা ৭ বি.জে.পিদগী তোকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। অনৌবা লালহৌলুপ শেল্লগা শেল খায়নবা হোৎনরম্বনি হায়বা মীওই চংজরকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইরৈবাক্তা- মহৈরোই অনিগী হকচাং ইমুং মনুংদা শিন্নৌ হায়দুনা খুত্থাং চরা হেনবা হৌখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা মহৈরোই হাৎপদা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- এম.য়ুদগী অসাম রাইফলস লৌথোকউ হায়না মহৈরোই অমদি ওজাশিংনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মহৈরোইশিংগী মায়োক্তা কা হেনবা থৌওং চথখিবগী মতাংদা রিপোর্ট পীরকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শেমজিন শাজিনদুনা শন্দোকপা মীওই অমগী মথক্তা সরকারনা শেলগী মনা লাউথোকখে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

নাগা তাবা মফমশিংদা অফস্পা মখা তানা থম্ববু অনসমনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ  হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি- পিপলস ক্রেনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, মণিপুরমেদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী নাগা তাবা মফমশিংদা অফস্পা মখা তানা থমজিনববু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী লোংমাইদা অথুবা মতমদা ফয়ার সব-ষ্টেসন অমা হাংলগনি হায়না হিল এরিয়া কম্মিতিগী চেয়ারমেন দিংগানলুংনা থাজবা পীখ্রে হায়বা পাউ অমসুং অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমতা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ইন্তর স্কুল স্পোর্টস, লিটরেরি এন্দ কলচরেল মিট ২০২৩ লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------